# হৌজিক্কী ঈরাংসি কনানা থোকহনবনো

– কর্নেল ঐচ সরত (রিটাইয়র্দ) –

মণিপুরদা কুমজা ১৭৪১দগী খোংসাই খরনা শৈদাংবা হৌখরে। চহী ২৮২ হেন্না লমদম অসিদা চংজফম অমসুং লৈফম পীদুনা লৈহল্লকখি। চীংগী অহাঙবা মফমশিংদা মখোয়গী খুল লিংখৎহনখরে। শুবা-নোম্বা কনবা মখোয়না নোংম-নোংমগী হেনগৎলকপা অমসুং চাওখৎলকপা হায়বসি হৌনশানি। তম্পাক্তা মৈতৈশিংনা লম য়োনবদসু খোংজাইশিংদা মমল হেন্না ফংই হায়দুনা য়োনখি। মীতোপ ময়াং মচাশিংনা থাঙ্গাল বজারদা অমসুং পাওনা বজারগী মপু ওইরিবা অসিনি। অসিগুম্বা ৱাখল খন্দবা, লৈঙাক্কী চৎন-কাঙলোন, লম লৈবা-য়োনবগী মীতোপ্তা য়োনবা য়াদে হায়বসি মণিপুর ষ্টেট নত্তনা অতোপ্পা নোর্থ ইষ্ট ষ্টেট অমত্তদা পাঙথোক্তে। মতুংগী মীরোলগী খনবা মী ইপোক পোল্লমদরি।

থায়নগী অহল লমনশিংনা ৱাখল খন্থবা ৱাৎপদগী খোংজাইশিংদা মৈতৈনা-নাগানা ফংলিবা রাইটস খুদিংমক পীথোক্লল্লে। পীখ্রবদি লৌথোকপসি য়াম্না ৱাবা থবকনি। করিগুম্বা মখোয়না (খোংজ ইশিংনা) ৱাখল খন্থগদৌবদি - মণিপুরদা মৈতৈ অমসুং নাগাদি চহী ২০০০ হেন্না লৈমিন্নরকখ্রে। অদুগা খোংজাইদি চহী ২৮২ খকতমক ঙাইহরি মণিপুরদা লৈরকপা। অসুম্না ঐখোয়না পামই হায়দুনা দিমান্দ পংতৌ তৌবা য়াবা নত্তে। শাওরল্লবদি মখোয়না ফংলিবা হক খরা অসিসু মশীং হন্থখিবা য়াই খনগদৌরিবনি। অদুদি খন্দরে।

ঐখোয় পূম্নমক্না খন্থমিন্নসি মদুদি মতম হায়বসি মীওইবগী পুন্সিদা খ্বাইদগী মরু ওই। কনাগীসু মতম মাঙহনলোইদবনি। মে ৩দগী থোক্লক্লিবা ঈরাংসি জুন ৩০ ফাওবসি নুমিৎ ৫৯শুরে। নুমিৎ ৫৯নি অসি মীচম মীয়াম্না মরু ওইনা চীংখোঙদা লৈরিবশিংনা য়াম্না ৱানা পুন্সি হিংলি। ইম্ফাল এরিয়াদদি ঈরাংশিংসিগী অৱাবগী মমি ফাওবা তাবা নত্তে। লম্বী সরক্তা মতম মাঙনা পংলাউ লাউবসিগী করি কান্নবা পুরক্লিবগে? মণিপুরগী এরিয়া অসি ২২,৩২৭ স্কৱার কিলোমিটরনি। তম্পাক্না শরুক অমতনি। অদুগা চীংগী লমনা শরুক ৯নি। মণিপুরগী বাউন্দরি অসি কনানা ঙাকই অমসুং শেন্নে? জুকো ভেল্লি ফাওবা য়ূমলোন্নবনা লৌশিনখ্রিবা অদুনি। ঐখোয়গী ইঙ্খোলশিংদি চেকনা চেকপল খারগা ঙাক শেল্লি। লম মচেৎ খরগীদমক কেস তৌনরি, খৎনরি। মী ফাওবা হাৎলি। পাক চাওখ্রবা বাউন্দরি এরিয়াগী লম্মাংশিংদুদি কনানসু য়েংশিনবীদরি। মায়কৈ মরিগী বোর্দর এরিয়া অসি ঐখোয়না ঙাকচগদৌবনি। ষ্টেট বোর্দর প্রোটেক্সন ফোর্স থম্বগী তঙাইফদবা লৈরি। ইম্ফাল ময়োল ঙাকপগী মহুত্তা বোর্দর এরিয়াদা আউটপোষ্ট থল্লগা বাউন্দরি অসি ফজনা ঙাক শেনবসি য়াম্না মথৌ তারি।

ইম্ফালগী তম্পাক্তা লাও খোংলিবা, পাঙথোক্লিবা থবকশিংসি চীংগী কাচিনদা য়ৌরিবরা? লমদম অসিদা হিংলিবা ঐখোয় মশেল হাৎতোক্নরগা লন-থুম মাঙহল্লগা, য়ূম মৈ থারগা ৱাগদৌরিবসি কনা কনানো? চহী ২৮০ হেন্না লোয়নরল্লবনিনা ঐখোয় মশেলগী অফবা-ফত্তবা পূম্নমক খঙনবা ঙাক্তনি। অচেংবা য়েংলগা খুদোংচাবা লৌবসি মীওইবগী হৌনশানি। খোংজাইশিংনা হেন্না খুদোংচাবা লৌনবসি মরক মরক্তা ঈরাং থোকহল্লগা লৌরি। হন্দক্কী অসিনা অরোইবা ওইগনিসু থাজদে। মীওইবগী চৎন-কাঙলোনগী ৱাংমদা হিংলিবা কাঙলূপনি।

পীকখ্রবা লম মণিপুরদদি মী খুদিংমক লিদর ওইনীংই। নিংথৌ মচাশিংনা নিংথৌ খুভম মুন্নবদগী মীচম মীয়াম য়াম্না ৱাখি। ঙাইহাক লৈতনা লৈবাক ঈরাং থোকখি। কুমজা ১৭৫৫দা অৱাগী নিংথৌ আলাউংপায়না নিংথৌ মচাশিং সিংহাসন মুন্ননবগী খৎনবগী তাঞ্জা অদুদা লান তারকখি। য়াম্না শম্না ইজরবদা, ইরমদম মণিপুর অসি ঙাইহাক লৈতনা অৱানা ওৎপী নৈবীরমখি। মদুদগী বৃটিশকী মতেং লৌখি। বৃটিশ চৎখ্রগা ইন্দিয়াগী মতেং লৌরিবা অসিনি। অতনবা, থবক শুনীংদবা, য়াহৌ হৌদবা ফুরুপনি, মতোমতা হিংজবগী পাম্বৈ লৈতে। চিনদা জপানিজ ওইরবসু থবক্তদি জিরোনি। ঐখোয়গী হৌজিক ফাওবগী পুন্সি মহিংসি চাওখৎপগী খুদম অমত্তা নত্তে। লমচৎ-শাজৎ অমত্তা লৈত্রবা খুন্নাইসিদা করিবু অফবা থবক উখিগদৌবগে? ফম্নাইবশিংসি ফমুং শেন্নদুনা লৈরে। ফম মুন্নবগী তাঞ্জা অসিদনি, খোংজাই কাঙবুনা ওইরোইদৌবা দিমান্দ অমগা অমুক হৌদোকখিবসি। পৃথিবীদা ইকোনোমিক ব্লোকেদ পাঙথোকপা লৈবাক্তি মণিপুর খক্তা ওইরমগনি। ফত্তবা, মীনম্বশিংনা মেজোরিটি ওইবা মফমদা করিবু অফবা থবক উগদগে? উগনি থাজদরে। থৌদোক-ৱাথোক অমা নৎত্রগা অমনা লায়রবা মীয়াম অমুক হেক্তা ৱাহল্লি। মীনুংশি মাঙখ্রবা ইনাক খুনবশিংদি ৱাদে।

কুমজা ১৮৭০দগী মৈতৈশিংনা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্তা হিংজরকখি। অদুবু কুমজা ২০২৩গী মে ৩দগীদি মৈতৈ মচাশিং মফমদুদা লৈবা য়াখিদরে। অফবা খোঙথাং নত্তে। মণিপুর ত্রাইবেল ফোরম দেল্লীনা সুপ্রিম কোর্টতা জুন ৯, ২০২৩দা ৱাকৎ খরা থাংগৎলি। ৱাফমশিংগী মনুংদা মণিপুরদা দ্রগ লল্লোনবশিংগী মরক্তা টোপ পোলিটিসিয়ন, এক্স সী এম অমসুং প্রজেন্ট সী এম চেন্নৈ হায়না পল্লি। মখোয়গী মরী মতানা হেন্না খুদোংচাবশিং লৌবগী ৱাফমসি তোইনা থেংনরি।

হৌজিক ঈরাং থোক্লিবসিগী অচুম্বা থৌদোকশিং খরদি - মণিপুরগী চীংখোঙ চীংয়াশিং নোংমৈ কাপ্পরি। ইন্টরনেট সর্ভিস থিংলি। কর্ফিয়ুগী টাইমিং হোংদোক-হোংজিন তৌরগা কর্ফিয়ু চথরি। গভর্ণমেন্ট ওফিস থিংলে। আই এ এস, আই পি এস, এম সী এস, এম পি এসনচিংবা কুকিশিংদি লিভ এপ্লিকেসন পীরল্লগা কদাইদা চৎখ্রবনো খঙদরি। লিভ সেঙ্কসন তৌদ্রবসু মখোয় কনা অমত্তা ওফিস কারক্ত্রি। গভর্ণমেন্ট ওফিস পূম্নমক পেরলাইজ ওইরি। পোৎ চৈশিংগী মমল য়াম্না ৱাংলে। লম্বী সরক পূম্নমক্তা নুপীশিংনা, নহাশিংনা থিংলি। চ্যেক তৌরি, অচৎ-অওক ময়ামদা। মনীং তম্না হিংবা ঙমজদ্রবা মীয়ামগী পুন্সি ওইরি। মথংগী মীৎকুপ্তা করি থোক্কনি খঙদ্রবা খুন্নাই হায়বদু ওইখরে। অসিগুম্বা মওংসি করম্বা মখলগী লৈঙাকনো? দেমোক্রেসি টাইপ ওফ গভর্ণমেন্টদি নৎত্রে। মরু ওইনা লায়রবা মীয়ামদি ওন্থোক্না ৱানা হিংলি।

মরকসিদা হায়জনীংবা ৱাফম অমত্তংদি- ঐখোয়না বৃটিশশিংদগী, জপানিজশিংদগী করি অফবশিং তমহৌবগে? অফবা মীশিংদগী করি অফবা থবকশিং তল্লিবগে? নুমিৎ ৫৯নিগী মতমবু মফম-মরাং খঙহন্দনা হিংহনবসি করম্বা লৈবাক্তা চৎনবগে? মসিবু করি হায়না ইরগা ফোঙদোকপা য়াগদগে? তাঙ্কক অসি চমম্নবা অমসুং অমম্বা চেপ্টরনি, মণিপুরগী পুৱারীদা। খ্বাইদগী মতিক চাদবশিংগী লৈঙাকনি হায়বদা করিসু য়েৎননীংঙাই লৈতে। নোংমগী মতমবু মরম চানা শীজিন্নদ্রবা মীদুদি পোল্লম্বগী মহয় য়ানদ্রবা মীনি। মতম হায়বসি কানদবা থবক্তা মাঙহনবা য়াদে। ৱারেমগী থবক্তা মতম মাঙহল্লিবা মীদু মীরেম হায়না কৌই। মীরেমগী পুন্সি লেনবীগনু। হিংলম্বগী অরংবা থবকশিং থম্বীরমউ। মতম মাঙহনবীগনু। ঈরাংসিগী কান্নবদু খন্থমিন্নসি।

চহী কয়া তূমদুনা হিংলিবা খুন্নাই অসি মীকপ থোকহনসি। ঐখোয় পূম্নমক ইশা ইশাগী ইথৌ থৱায় হকচাং য়াওনা, পুকচেল শেংনা পাঙথোকসি। মশাগীদা কান্নবা খনবা মীশিংদগী লাপ্পা হিংসি। মালেমসিদা চাওখৎপা মীশিংনা পাঙথোক্লিবা থবকশিংগী মতৌ তমসি। তীল-কাং, শা-উচেক ফাওবা মনিং তম্না হিংনীংবনি। ফজনা পুনশিল্লগা কনা অমত্তা হিংবা পামদে। খৎন-চৈনরিবা, হাৎনরিবশিংসি অফবা মীওইশিংগী থবক অমত্তা নত্তে। মীওইবগী পুন্সিগী খোঙচৎতা অয়েৎপা পীরিবশিংসি অফবা অমত্তা নত্তে। পুকচেল পীকপা, মীনুংশি য়াওদবা মীশিংদগী করিসু তমজনীংঙাই ওইবা থবক অমত্তা উরোই। মীওইবদি মী মান্নবশিংগা লোয়নরিদুনি।

ঈরাংসিনা, থৌদোকসিনা ঐখোয়দা তম্বীরিবা পড়াশিংসি খক কাউথোক্লোইসি। পুৱারী হায়বসি কাউবা য়াদ্রবা সবজেক্টনি। পুৱারী কাউবা ফুরুপ অদুদি কৈদৌনুংদা চাওখৎপা য়ারোই। ঈরাংসি হেক লোইবগা ঐখোয় পূম্নমক থবক কন্না শুসি। মাঙখিবা মতমদুগী থবকশিংদু কন্না হোৎনরগা মেনশিনসি। কুম্মৈশিংদা মতম মাঙহনবা য়াদে। লমজিংপুরেল হিজম ইরাবতকী ফোটো মফম খুদিংদা, ওফিসশিংদা থেৎসি। মীতোপকী মতেংনা ঐখোয় হিংলোইসি। ময়াং মচাশিংনা ঐখোয়বু ৱায়েল-বিচার তৌরিবসি ইকায়দরা? ঐখোয়গী মীংচৎ, ঈজৎ মাঙলি হায়বসি কাউরোইসি। করিগীদমক ঐখোয়না দেল্লীদা চৎকদৌরিবনো? দেল্লীদা ঐখোয়গী ইপা ইপুশিং পোল্লমখিদে।

মীয়ামগী মীহুৎ ৬০ লৈবদুসু মচেৎ মচেৎ কাইরে। মীহুৎ কাঙলূপ ১০, ১০ অমসুং ৪০গী মরক্তসু ময়ি চৎখ্রে। মখোয় ৬০না পুল্লপ পুশিল্লগা ৱারোইশিন অমা ঈরাংসিগী মরমদা পুরকপসু ঙমদ্রে। ঙমদ্রবদি মখোয় পূম্নমক করি ঙাইরিবনো? মীচম মীয়াম হেন্না শিবদু ঙাইরিবরা? গটস লৈনা নশা নশানা খঙনা রিজাইন তৌবদি য়াদবরা? প্রসিদেন্ট রুল থল্লগা মীয়ামগী পুন্সি কনবনা ফরোইদরা? মীচম মীয়াম ঐখোয়সিবু কনাগী থৌজালদা হিংলিবনো?

মণিপুর ষ্টেটতা লৈরিবা মণিপুর রাইফলসকী বট্রালিয়নশিং, ইন্দিয়ন রিজার্ভ বট্রালিয়ন, পুলিস ফোর্সেস, স্পেসল কম্মান্দো, ভিলেজ ভোলন্টিয়র ফোর্সেসনচিংবশিংনা লুংগি শেৎপা, অতোপ্পা মিলিটেন্ট গ্রুপ অসি য়াম্না লায়না লোইশিনবা ঙমগনি খঞ্জে। মখোয়দি মশীং য়াম্বা নত্তে। মখোয়না প্রোপেগন্দা ৱারফ্যের শান্নরি। ৱর্ল্ডগী সুপর পাৱর অমেরিকাবু মায়থীবা পীবা ঙমখিবা ভিএটনামিজ শিংবু নীংশিংবীয়ু। মখোয়না পায়রিবা খূৎলায়শিংসি য়ু এস এ ক্রপসনা পায়রিবা অদুগুম্বা নত্তে। চহী তরেৎ খুন্তাকপগী মতমদা ঐখোয়গী নুপী অঙাংশিংদা ওৎপী-নৈবীবগী লমনদু খুমহৌগদবনি।

থম্মোয় খক পীকশিনবা য়াদে। চংনা স্বর্গ কাগদৌবনি। ইশাগী চহী ২০/৩০গী মতমদু ওইরল্লবদি খঙগদবনি। ঈরাংসিনা ঐখোয়দা অনৌবা ইনোৎ অমসুং ঈহৌ অমা হাপ্লি। ঐখোয় পূম্নমক পূনশিনসি। কাঙলূপ, লূপ, মচেৎ মচেৎশিং, কাঙবুশিংসি অমত্তা ওইরসি। মৈতৈ কনবা লূপ অমখক শেল্লগা, ফিরাল অমগী মখাদা ঐখোয় পূম্নমক নুংশি চান্নরা হিংসি।

ঐখোয়গী খুন্নাই অসি পুন্সিগী পড়া ফাদ্রবা কাঙবুগী মীওইশিংনি। লাইরিক লাইশু ৱাখল মুন্না খনবা, অফবা থবকশিং মথং মথং পাঙথোকপা মীওইশিং নত্তে। খজিক্তংনা পেঞ্জবা কাঙলূপনি। মতুংগী মীরোলগী খনবা ফুরুপ নত্তে। মচা পোকথোক্লগা মচা শেমগনি খন্দ্রবা মীওইশিংনি। থোক্লিবা থৌদোকসি থোক্কনি খল্লগা Colonel R.K. Rajendra Singh (Retired) না লমায় ৪৫ পানবা লাইরিক মচা অমা কুমজা ২০২১দা ফোঙবীরল্লে। লাইরিক অসি ইবদা Britisher অমসুং অতোপ্পশিংনা ইরমখিবা লাইরিকশিং হায়বদি - Era of the coming of the Kukis in Manipur - 1844-1850, The kukis of Manipur, Capt. EW Dunn গী লাইরিক The kukis of Manipur, T.H. Lewin (1870-1930) - Land of Wild Tribe, Colonel Dalton (1872-1944), Wild Races of the Eastern Frontier of India by T.H. Lewin, William Shaw গী 'Notes on the Thadou Kukis, Alexander Mackenzie - History of North East Frontier, Down the Memory Lane by M.K. Priyobrata Singh, Kuki uprising in Manipur 1918-1920 by S.M.A.W. Chisti নচিংবা লাইরিক কয়াগী মতেং লৌখি। লাইরিক অসি খুন্নাইসিগী মী পূম্নমক্না নৎত্রবসু খরদনদা পাবীরল্লবদি ঙসি তারিবা দশা অসিমক্তি তারল্লোই। খুন্নাই অসিদা লাইরিক পাদবদগী এদ্যুকেসন সিষ্টম শোয়বদগী শোয়রিবা ঙাক্তনি। নেলসন মন্দেলানা হায়বীরমখি - "লৈবাক অমা মাঙহনগে, লোইশিনগে হায়রবদি এদ্যুকেসন সিষ্টম অদু শোইহল্লু' হায়বদু লমদমসিদসু চপ চানা থোক্লি। এদ্যুকেসনগী এইম খঙদবা ফুরুপ হায়বদু ওইরে। করিসু ইনীংঙাই লৈতে।

মণিপুর অসি হিল ষ্টেটনি খ্বাইদগী ঙক্লীংঙাই ওইবদি, চীংগী ষ্টেট অসিদা হিল দিষ্ট্রিক্টনি হায়দুনা তোঙান্না লৈঙাক্কী ওর্দরশি ফোঙখি। মণিপুর পূম্বসি হিল ষ্টেটনি হায়না ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা শক খঙলবা, উরবা ফাওবদা ঐখোয় মশেল চীং-তম হায়দুনা বৃটিশ গভর্ণমেন্টকী দিভাইদ এন্দ রুলগী পোলিসি অদু করম্বা মখলগীনো হায়বদু খনবা ঙমদ্রি। নিংথৌ পাল্লিঙৈদনা বেঙ্গলি খরনা ধর্ম্ম শন্দোক্লমখি। বৃটিশনা অমুক খৃষ্টিয়ান ধর্ম্ম চীংদা শন্দোক্লল্লগা চীংদা লৈরিবা ইচিল ইনাওশিংদা হুগী তেন থম্মোয়দা য়ুংশিনলল্লে। হান্না ধর্ম্ম অমত্তা ওইরম্বদু ধর্ম্ম অনী খাইদোকখিবদগী পুন্সি মহিংদা তোঙানখ্রে। হৌজিক্না ইন্দিয়াগী থৌজালদা ঐখোয় হিংলি।

য়াম্না শম্না ৱাফম খরদং ইজরি। বৃটিশনা, ইন্দিয়ানা মণিপুরগী কবো ভেল্লি অসি ঐখোয়গী অয়াবা য়াওদনা বর্মিজদা পীথোকখি। সস্পেন্সন ওফ ওপরেসন (সু) গী এগ্রীমেন্ট অসি আর্মি অমসুং য়ু পি এফ - কে এন ওগা কুমজা ২০০৫গী ওগষ্ট ১দা খূৎয়েক পীনখি। অদুগা কুমজা ২০০৮কী ওগষ্ট ২২দনা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুর অমসুং য়ুনাইটেদ পিপলস ফ্রন্টকা দেল্লীদা খূৎয়েক পীনখি। এগ্রীমেন্ট অসিদা মৈতৈ মচা অমত্তগী সিগনেচর য়াওদে। য়াম্না হঙ্গৈইনীংঙাই ওইবা, লমচৎ শাজৎতা লৌখৎপা য়াদ্রবা ময়াং মচা সেদ্যুল্ড কাষ্ট আই এ এস অমনা ঐখোয়গী মীহুৎ ওইরমখি।

কোংগ্রেস পার্টিনা লৈঙাক ওইবগী মতমদনা বর্ম্মাগী সিটিজনশিংনা লিংখৎপা অন্দরগ্রাউন্দ গ্রুপকা সু এগ্রীমেন্ট খূৎয়েক পীনখি। অদুগা বি জে পিনা পাল্লিবা মতম অসিদনা মীতোপ ওইনা চহী ২৮২ খক্তা ঙাইরিবা কুকি কাঙবুশিংবু ইন্দিজিনস পিপলনি খলহল্লগা গেজেট ফোঙখ্রে? লৈবাক্কী হিষ্ট্রি খঙদনা ফম্নাইবা ওইবা য়াবা নত্তে।

হৌজিক ঈহৌসিদা লৈখিদ্রবা ইচাশিংসি মিনিষ্টরশিং, এম এল এশিংগী ইনাক কৈরাক খুনবশিংগী ইমুংগী অঙাং অমত্তা নত্তে। মপুন্সিদা লাইবক থীরবা অঙাংশিংনি। ঈরাং অসিনা মীয়ামগী ঈহৌ অমদি শাগৎখ্রে। পুল্লপ পুনশিনবগী ৱাখল অমসুং থবক খরদি লাকখ্রে। মচোই-মচোই তারম্বদু মপুম, মতুংদসু ওইহন্নবা হোৎনবীয়ু। ফম্নাইবশিংনা মীচম মীয়ামগী ৱা তান্নরমদনা মখোয়না তৌনীংবা থবক তৌবসি য়াদে হায়বসি হন্দক্তগী খঙহনসি। লৈঙাক্কী অমসুং লৈবাক্কী মপুদি মীচম মীয়ামনি। মীহুৎতি মীয়ামগী মনাইনি। ঐখোয়দি হৌরকফম কাউখ্রবা ফুরুপ হায়বদু ওইরে। ময়াং মচাশিংনবু ঐখোয়গী করি অফবা পাঙথোরক্কদগে? ●

## ষ্টেটকী পাউ

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৬৮

১) **"ঙসি কেক্রু পাৎতা ইমাগী তম্পাকথকসিদা/নাউশুম ঈশৈনা নাউথেন্নি ইমানা থৱায় তরানিপালবু/ইঙাগী নোংজুগী ঈশৈ শল্ল-শল্লদুনা।"** লৌথোরক্লিবা শৈরেং মতেক অসি কনানা ইবা, করি লাইরিক্তগী লৌথোরকপা শৈরেংনো?

২) **"ঙমখৈ লান্মী তেঙ্গোলগী বন্দিনি"** হায়না মীংথোনবা লাইরিক অসি অইবা কনাগী ওরিজিনেল লাইরিক্তগী মণিপুরীদা কনানা ত্রান্সলেসন তৌবগে?

৩) **"বরুৱাগী চিঠী"** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৪) **"অমম্ব অহিংদ নোংথাংন ঙান্থোক্লগ হৈনৌ অমুনব খুনব উবগুম ফাগীন পুক্লিংবু তেকখৎহল্লগ কান্নব ৱা কয়া খুঙ্গৎপ ৱাদে, অনানবা শ্লেট্ ইবগুম ময়েক লান পুক্লিংদ লৈহৌই।"** ৱাহৈ পরেংশিং অসি মণিপুরগী মমিং লৈরবা অইবা অমনা ইবা লাইরিক অমগী ৱাহৌদোক্তা ফোঙদোকপা ৱাহৈ খরনি। অইবা অসি কনানো? ৱাহৌদোক য়াওরিবা লাইরিক অসি করি কৌবগে?

৫) **"শক-তাকপা"** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং মসিগী অইবা কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুন ৩০, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

### মণিপুরগী ক্রাইসিসতা খুদক্তা মীৎয়েং চঙবীনবা এ এম এনা য়ুএস কংগ্রেসতা হায়জখ্রে

**ইম্ফাল, জুন ২৯ (ঐচএনএস):** এসোসিএসন ওফ মৈতৈস ইন ড অমেরিকাস (এ এম এ) না য়ুএস কংগ্রেসতা লেট্টর অমা ইদুনা মণিপুর-ম্যান্মার বোর্দর লমদমগা মরী লৈনবা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং ইন্দিয়াগী অপুনবা নেসনেল সেক্যুরিটি ইন্টরেষ্টশিং অমদি য়ুএস ভর্ম্ম এক্ট ২০২৩ না পীরকপা য়াবা ইন্স্পেক্টতা মীৎয়েং চিংশিনখিবগা লোয়ননা লৌখৎফম থোকপা এক্সন লৌখৎপীনবা তকশিনখ্রে।

এ এম এনা থাদোরকপা ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়রিবদি এসোসিএসন অসিনা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিগী য়ুএস খোঙচৎকা চান্ননা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস কংগ্রেসতা থাখিবা লেট্টরগী অতেনবা ৱারোল অমা রিলিজ তৌখি।

লেট্টর অদুনা দেটা, আর্টিকলশিং অমসুং রিছার্স রিপোর্টশিংগী মালেমগী ওইবা ছোর্সশিংগা মরী লৈনবা রিফরেন্স অমদি দেটাদা য়ুম্ফম ওইবা ইনফরেন্সশিং পীরি। মখা তানা এ এম এগী চেরোল অদুনা হায়রিবদি হৌখিবা মে ৩ দগী মণিপুরদা কাঙলূপ মশেলগী ওইবা শাথিরবা হাৎন শুনবগী থৌদোক অমা থোক্তুনা লাকখি। মদু মৈতৈশিংগী মায়োক্তা মাঙজৌননা থৌরাং তৌদুনা চথরকখিবা ভাইওলেন্সকী থৌদোকশিংগা লোয়ননা হৌখি। কম্যুনিটি অনীগী চল্লবা সিটিজনশিং নীংথিনা থৌরাং তৌরবা থৌদোকশিংগা লোয়ননা অমগা অমগা ওনশিন্নদুনা খুৎ থোক্লহনখি।

মৈতৈগী চর্চশিং, লাইশঙশিং অমসুং কুকিগী চর্চশিং মৈ থাখিবগা লোয়ননা মৈতৈ খৃষ্টানশিং, হিন্দুশিং অমসুং সনামহি লাইনিং চৎপশিং লোয়ননা কুকি খৃষ্টানশিং য়াওনা মীওই ১২৫ হেন্না শিখ্রে অমদি মীওই ৫০,০০০ গী মথক্তা ময়ুম মকৈ থাদোক্তুনা লাঞ্জেন্নহনখ্রে।

সোসল মেদিয়া অমসুং পেদ মেদিয়া কেম্পেইনশিংগী খুত্থাংদা মে ৩ দগী অসিগুম্বা ভাইওলেন্স অসি চথরকখিবনি। মীচম মীয়ামশিংবু অসিগুম্বা মেদিয়া কেম্পেইনশিং অমসুং সোসল মেদিয়াগী খুত্থাংদা লমদম অসিগী খৃষ্টান মাইনোরিটিশিংবু ওৎপী নৈবীরে অমসুং কাঙলূপ অমবু মুখৎনবগী থৌওং চথরে হায়বা উৎননবা হোৎনখি।

এসোসিএসন অসিনা য়ুএস অমসুং ইন্দিয়াদা খুদক্তা ইন্দিয়ন সেক্যুরিটি মেছিন্নরি শীজিন্নদুনা কুকি-চিন টেররিষ্টশিংবু খূৎলায় থাদোকহন্নবা অমসুং মখোয়না মণিপুরগী মৈতৈশিংগী ভিলেজশিংদা হৌজিক চথরিবা এটেকশিং লেপহন্নবা অমসুং ইন্দিয়ন ভিলেজরশিংবু প্রোটেক্সন পীননবা ইন্দিয়া অমসুং মসিগী আর্মি কম্মান্দদা প্রেসর পীননবসু আপিল তৌখি।

### 'মণিপুরদা নার্কো টেররিষ্ট মুত্থৎহৌদ্রগদি ইন্দিয়াসু নোংমদি পুমতোই তোইরক্কনি'

**ইম্ফাল, জুন ২৯ (ঐচএনএস):** মণিপুরদা চথরক্লিবা নার্কো টেররিষ্টশিং অসি ইন্দিয়া লৈঙাক্না মুত্থৎহৌদ্রগদি ইন্দিয়াসু নোংমদি পুমতোই তোইরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈবনা মরু ফঙনা মুত্থৎপীয়ু হায়না কোকোমিনা ফোঙদোরক্লি।

উরিপোক অচোম লৈকায়দা লৈবা কোকোমিগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা কোকোমিগী কো ওর্দিনেটর জিতেন্দ্র নিঙোম্বমনা ফোঙদোকখিবদা সূদা লৈরিবা কুকি লালহৌবশিংগা মপানদগী চঙলকপা চিন কুকিশিংনা চথরক্লিবা লান অসিদা ইন্দিয়া লৈঙাক্না থবক খরা লৌখৎপীয়ু হায়বদা ঙসি ফাওবদা তাশিন উশিন্নদনা লৈরিবসি নুংঙাইজদে।

ঙরাং নহান থোকপা ষ্টেটমেন্ট অমদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট সাহনা চীংগী লান হৌরিবশিংগী পুম্নমক পুরগনি হায়বীরে। অদুবু শাউনিংবা কয়া লৈরবসু খরদি শাফরগনি খনখিবনি। অদুবু মহাক্না য়েংশিল্লগনি হায়রগসু থোকহন্নিংদবা থৌদোক্তি লেপ্তুনা থোকহল্লক্লি।

ইন্দিয়া লৈঙাক্না য়েংলিবা মীৎয়েং অসি য়াম্না নুংঙাইজদে। মসিদা অমুকসু লৈরিবা পোলিটিকেল পার্টিশিংদসু পুনবা য়াদনা লৈরিবসি পুনবীয়ু। মসিদা মানা মানা পাম্বা ৱারেপতা চৎপসিনা অফবা লাক্কদবা মান্দে। অপুনবগী ওইবা ৱারেপ অমা লৌবীদুনা চঙশিনমিন্নসি। ঐখোয় মশেল কনা কনানো থীদনা পুনশিন্দুনা চথরক্লিবা নার্কো টেররিষ্টকী লান অসি থেংনমিন্নরসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

### শিল্লোংদা নুপী অমা য়াওনা দ্রগ ট্রাফিক্কর অহুম ফাখ্রে

**শিল্লোং, জুন ২৯ (এজেন্সি):** হৌখিবা য়ুমশকৈশ নুমিত্তা মেঘালয়গী কেপিটেল শিল্লোংদা নুপী অমা য়াওনা দ্রগ ট্রাফিক্কর অহুম হেরোইনগা কোন্ননা ফাখ্রে। দিষ্ট্রিক্ট অদুগী সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস এস নোঙ্গরগী মতুং ইন্না মীওই অহুম অদু এ এন টি এফ ইষ্ট খাসি হিলসনা নোংগ্রিম হিলসতগী ফাখিবনি।

মখোয়দগী হেরোইন গ্রাম ১১৪.৯৭ য়াওবা সাপোনগী কেস তরা, টু-হুইলর অমা, মোবাইল ফোন অহুম, বেঙ্ক পাস বুক অমা অমসুং বেক পেক অমা রিকোভর তৌখি হায়রি।

ACI SCHOOL

(A Co_ Educational Higher Sec. School affiliated to COHSEM)

Regd. No. 1/96/96/-HSC (Vol. VIII)

Kwakeithel Akham Leikai, near Kwakeithel Bazar

RUN BY ADVANCED COACHING INSTITUTE, IMPHAL

SCIENCE & ARTS

ADMISSION OPEN FOR XI

2 yrs NEET & JEE Integrated coaching Course

Transport & separate Boys and Girls Hostel

Special Offers for present situation

1. No admission fee for Former student's family OF ADVANCED COACHING INSTITUTE
2. No admission fee for Single parents & orphan
3. No admission fee for Student passed out from Government School

SUBJECT OFFERED FOR science : General English, Alt.English, Manipuri, Physics, chemistry, Biology, Mathematics, Home science, Computer science and Physical Education
SUBJECTS FOR ARTS : General English, Alt. English, Manipuri, Elective Manipuri, Sociology, Education, Pol.Science, Geography, History, Economics, Mathematics

REQUIRED DOCUMENTS :ORIGINAL ADMITCARD + 2 RECENT PASSPORT PHOTO

ADMISSION FORM /PROSPECTUS AND REGISTRATION FORM CAN BE COLLECTED FROM SCHOOL OFFICE DURING OFFICE HOURE( 10AM -4PM)

** POSITION HOLDERS : FREE (ADMISSION + TUITION FEE +UNIFORM + BOOK + HOSTEL ADMISSION + HOSTEL FEE)+ SCHOLARSHIP + Coaching Class
** 90 % and above— Free admission + Free school Fee + Free coaching Fee For class XI +Book grant(one time) + Scholarship
** 85 % and above—Free admission +Free School Fee + Free coaching class of xi +Book grant For XI + scholarship 1k/month
** 80% and above— Free Admission + Free School FEE + Bag ** 75% and above : Free admission + FREE coaching class +book grant
• 70% and above— FREE ADMISSION + FREE COACHING FEE * 65% and above — FREE ADMISSION FEE +Free 1/2 COACHING FREE
• **60% and above—Admission Free ** 55% and above—1/2 admission free **50% and above—1/4 admission FREE
** 45% and above —Direct Admission+ Free note book *** Below 45 % —Direct Admission.

For details visit office of NAGAMAPAL LAMABAM LEIKAI & KWAKEITHEL AKHAM LEIKAI 9862992105

HL-B/8193/28/6 to 27/7

Regd. No. : KNL/497/(CE) of 2018 (I/W)

SANGAI TUTORIAL

Kwakeithel near Imphal College, Imphal

ADMISSION OPEN

FOUNDATION COURSE for

CLASS -XI Sc. (COHSEM)

10th July, 2023 4:00/4:30pm

Our position holders in Hr. Sec. Exam-2023



18TH POSITION
Yumnam Hemlan
S/o Y. Ibomcha & Y. Pakpi
of Langmeidong Maning Awang Leikai
MECI Explorer Academy



20TH POSITION
Bhumika Rajkumari
D/o R.K. Sanatomba & R.K. Ibema
of Loitang Khunou
COMET School



86.4%
Ranjan Chungkham
S/o Ch. Manglem & Ch. Rangita
of Nongpok Sekmai
MECI Explorer Academy



86.4%
Bonita Laishram
D/o L. Jotin & L. Tombi
of Meitram Awang Leikai
COMET School

Form available at:
1. 'SANGAI HOSTEL' Kwakeithel Ningthemkol, Opp. Kwakeithel Tiddim Ground.
2. Office of SANGAI TUTORIAL, Kwakeithel near Imphal College, (3:00pm-7:30pm)

7005517081
7085521821

HL-P/6917/22/6 to 27/7

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।